ꯍꯨꯢꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, এপ্রিল ২১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ০২৭শুবা মশীং

# নম্ফুগী থবক তৌরোইদবনি
## মশেল ইকায়খুম্নগদবনি

এসিয়া কন্টিনেন্ট অসিগী মনুং চল্লিবা লৈবাকসিগী হৌরকফম, মতৌ করম্না ওইরকখিবনো, হৌজিক্লা করি-করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি মীওই খুজোক খরখক্লা খঙদ্রবসু অয়াম্বনা শিৎ-নান্না খঙনৈ। খঙননবসু লৈবাকসিগী মতাংদা হৌরকঙৈদগীনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম ফাওবগী শাংলবা শরুকশিং তাঙ্কক নাইনা খায়দোক্তুনা চেকশিন্না তম্নরিবনি, নৈনরিবনি। লৈবাকসি খক্তগী ৱাফম নত্তনা মালেমগী ওইবা হৌরকঙৈগী ৱারীদি থম্বু থমখো মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা কাঙলূপসিগী মতাংদসু খঙননবা তম্নরিবনি। পূম্নমকসি মীওইবগী মচৎ অমা ওইবগী মথক্তা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমগুম্না পাঙথোক্নরিবনি। মসিগী কান্নবা মপাল নাইদনা লৈ। অদুগা অদুগুম্বা কান্নবশিং অদুগী মনুংদা মীওই কাঙলূপ, ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু মশক খঙনরগদি ফুরুপ-কাঙলূপশিংদু মীওইবা ওইনা হিংমিন্নবদা মখোয় মশেলগী মরক্তা হেন্না অচেৎপা মরী লৈনদুনা নুংশিনগদৌরিবনি। অদুবু হায়রিবা ফীভমসি য়ৌরক-য়ৌরক্লা অমসুং হকথেংনরগা খঙলবা লৈবাকসিগী মীওইবা মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু হন্থনা য়েংবা, অমনা পাম্বা, ওইহন্নীংবা থবক থৌরম অতোপ্পদুগী য়ানীংবা-য়ানীংদবগী ৱাফম য়েংদনা নম্ফুদা তৌহনগনি অমসুং চৎহনগনি হায়না হোৎনরকপদি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোইদবগী মথক্তা তৌফম থোক্তবা থবক অমসু ওইগনি। অসিগুম্বসিদি তৌরোইদবনি। চাওখ্রবা লৈবাকসিগী শরুক পূম্নমক কোৎশিল্লুদ্রবসু পীকখ্রবা মণিপুর খক্তদা য়েংবদা লাইনীং-লিচৎতবু ওইরো নৎত্রগা চৎন-কাঙলোনদবু ওইরো অমনা অমদবু নম্ফু-হাফু তৌদুনা নমদনা তৌহন্নবগী থবক লৌখৎলকপা অচুম্বা খোঙথাং ওইগদ্রা? ওইফম থোক্তে। তশেংনা লন্নাই মীওই অমনা নৎত্রগা ফুরুপ-কাঙলূপ অমনা মশাগা য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নজরকপা চৎন-কাঙলোন অমা নাথৈরম্লগা, হুন্দোক্লম্লগা অনৌবা লম্বেল অমদা চৎনীংলে, চৎননবা হোৎনরক্লে হায়রবা ফাওবদা মদু করিদগী ওইরকপনো? মখোয়-মখোয়গী পূক্নিং ৱাখলনা অমসুং থৱায়না তশেংনা পামজবদগী হোংলক্লিব্রা নৎত্রগা করি করম্বা ফীভমদগীনো? কনাগী থৌইনশিন্দগীনো হায়বদু ফাওবা থিদোক্কদবনি। মসি তৌরে হায়দুনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বদুদা য়েৎলুবগী ৱাফম নত্তে। অশেংবা অমসুং অচুম্বদুদি খঙদোকহৌগদবনি।

অসিগুম্বা খোঙথাংসি ফাওবা থাংফম থোক্লিবা লৈবাকসিদা মীওই কাঙলূপ অমনা অমদা নম্ফুগী থৌওং চত্থরোইদবনি হায়বগী ৱাফম লৈরিঙৈদা য়ুনিয়ন নৎত্রগা ষ্টেট লৈঙাকশিংনা, লৈঙাকশিং অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মখোয়না খূৎপায়নরিবা লৈঙাক চূপ্লিদুনা কোনশিল্লিবনি অমসুং মদুগী মখাদা লৈরবনি হায়দুনা নীংঙক-নীংঙকপা অমসুং ওইহন্নীংবশিং হেক্তা ঙাঙথোক-শক্তোরকপা চুল্লোই। লৈবাক মীয়ামগী ৱায়েল থৌদা চত্থনবগীদমক শেল্লিবা লো ফাওবদা লৈবাক্তুগী মীওই কাঙলূপ-ফুরুপশিং, মখোয়গী লৈফম-চাফম অমসুং পুন্সি মহিংগী ফীভমশিং য়েংলগা মদুগা চুনগদবা, চানগদবা মওংদা ফাওবা শেমগদবনি। মরমদি লৈবাক মীয়ামগী মীহুৎ হায়বসি চৎনরিবা লৈঙাক্লোনসিগী মতুংইন্না লৈবাক মীয়াম্না মখোয়গী য়াইফ-থৌরাংশিং পায়খৎতুনা পাঙথোক্নবগীদমক খল্লগা থাগৎলকপনি। অফবা অচুম্বা এক্ট, লোনি হায়দুনা ফনা য়াম্না শেন্নগসু মদুবু মথ্বায় পালহন্দুনা চৎনহল্লকপদা মায় পাক্লোইদবা অমসুং মখোঙ পান্দুনা চৎনহনবদা খুরৌ থাংহন্দুনা মায় পাক্লোইদবা ওইরবদি শেন্নোইদবনি, খোঙফম হন্দোক্কদবনি। তশেংনমক লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন অমসুং এক্ট, লো পূম্নমক লৈবাকসিগী মীওইশিংনা শেম্বনি। মফম অমসুং মতমগী মতুংইন্না অহোংবা অওনবা কয়া লাকপদগী তঙাইফদনা শেমদোক শেমজিন (এমেন্দমেন্ট) ফাওবসু তৌদুনা লাক্লিবনি। শেমদুনা চৎনহনখ্রে হায়দুনা চপ য়ুংনা লোইনমক লেপ্পুনা লৈরগনি হায়বগী ৱাফম লৈতে। মথৌ তারকপশিং হাপচিনবা য়াই, লৌথোকপসু য়াই। মরম অসিনা জাৎ-কুচু মান্নদবা, চাকচা-য়ুথক খেন্নবা, লাইনিং-লাইশোন তোঙান্নবা, লোল ময়েক তোঙান-তোঙান লৈজবা ফুরুপ-কাঙলূপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নরক্লিবা লৈবাকসিদদি লৈঙাক পায়রিবশিং ফাওবনা অনীংবা অপাম্বশিং হেক্তা তৌশিনবা চুল্লোই। থৌওংসি চত্থরক্লবদি ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা থরুমগী ৱাখলগী ঈহুল তম্নরক্কনি। পেন্দবা, নুংঙাইতবগী ৱাখল ফুম্নগা ওমদুনা চাকপা হৌরক্কনি। মসিনা কুইশিল্লক্লগা মৈরি থোক্লা চাকখৎলক্লগদি লৈবাক অপূম্বদসু মৈৱাইরক্তুনা লৈবাকসি চাকহল্লক্কনি, তাঙ্গোই তারগা লৈহৌগনি হায়বসি কাউথোক্লোইদবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) **“তোয়না থেংনৈ ঐনা/ৱাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ৱাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।”** শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি **“অরোইবা খোঙচৎ”** হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) ***“সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।”*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) **“চেরৈ”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) ***“অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ’ গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।”*** মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭৪
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলাগী খ্বাইদৈ শাথীবসি করিগুম্বা আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা অনা-অয়েক য়াওরকপা, আর্টিষ্ট মশামক্তুগী মচাগী শ্বষ্টিনচিংবা য়াওরকপা, ইমুং মনুংগী মীওই অরুবা অনাবা অমদগী ওপরেসন তৌরকপা নৎত্রগা ইমুং মনুংগী অশি অনা অমা থোরকপা মতমদা, লীলা হায়দোক্কে হায়বা য়ারক্তবসিনি। মতমদুদা লীলাদি শান্নদবা য়াদবা, আর্টিষ্টতুনা হেক নাদুনা হোস্পিটালদা নৎত্রগা ময়ূমদা দ্রিপ য়ান্দুনা লৈবা নৎত্রবসু মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অৱা অনা হেক তারকপা মতমদা থেংনবা অৱাবদুমদি তম্বদা মীনদি থাজররোই, শাথীনা ৱাখ্রজাৎনি। লীলা হায়সিদি মীয়ামগী থৌগল তৌরিবনিনা মাঙজৌনননা চেবাউ লৌদুনা পরেং লেংদুনা লৈখ্রবনি। তাং কয়াদা কনা নারক্কনি, করি খুদোংথীবা থোরক্কনি হায়বসিমদি হায়বা ঙম্বা নত্তেদো। খুদোং চাদবা অমা হেক থোরক্লো, কোকপী ঙাওবজাৎনি। মসি আর্টিষ্ট খুদিংমক্লা মসিগী অৱাবসি থেংনবা নত্তে। পার্টি অদুগী খরা মকোক মরূ ওইরুবা মখৈনা থেংনবা অৱাবনি। খল্লগা য়েংবীয়ু, মতমদুদা টেলিফোন লৈনবা নত্তে। ইম্ফালগী অকোয়বদা নৎত্রগা মফম খরখক্তদা ৱায়র তিংদুনা লৈনবা টেলিফোন অমা অনী নত্তনা য়ূমথোঙ খুদিংগী টেলিফোন লৈনদে। মতমদুদা লীলাদি অনকপা হায়বা লৈতে অরাপ্পা হায়বা লৈতে, লোইনমক চপ মান্ননা পুংফম অমদি মতমগী তাঞ্জা য়েংদুনা চেবাউ লৌরিবনি।

খুদম ওইনা ৱাঙুদা নৎত্রগা শুগুনুদা লীলা অমা লৈরে হায়না লৌরসি, ককচীং তান্না বসতা মদুদগী য়াদ্রে হায়দুনা অমুক হাইগৎলক্লগা চৎলগা হায়দোক্লুবা তাবনি। ঐখোয়গীদি থৌরাং লোইনা লাঙবা লোইখ্রে, হায়দোকপা নুংঙাইররোই হায়বসি হায়রক্লে হায়না লৌরসি, থুনা অমুক পাম্বে অমা তৌদুনা হাইগৎলক্লগা, লীলাদুদি শান্নদবা য়াদবনিনা মহুৎ আর্টিষ্ট অমা খুদক্তা নেল্লগা শান্ননবা শিনবা তাবনি। মতম চঙনা তল্লগা পুথোক্লিবা লীলাদু দাইলোগসু ফাদবা আর্টিষ্ট অমনা করম্না হেক্তা থোক্লগা খুদক্তা শান্নবা ঙমগদৌরিবনো? মসি অরুবা অমনি। অদুবু তৌদবদি য়াদে, পাম্বে লৈতবনিনা তৌবা তাই। মদুসু নুংথিলদা অমা শান্নরগা অনীশুবা প্লে ওইনা অমুক চৎকদৌরিবনি। ঙাইহাক তম্নবা মতমগা লৈবা নত্তে। অদু ওইবা তারবদি অখন্নবা কোক লৈবা আর্টিষ্ট অমা থিবা তাই। মানা অমুক শংলমদ্রবদি কনা অমুক নেক্কনি, শাথীনা অরুবা অমনি।

অসিগুম্বা খুদোং চারক্ত্রবা মতমদা ঐগী মরুপ অমা লৈরম্মী। মশামক্তি থিএটর তৌবনি, ফাগি তৌবসু য়াম্না হে। ঐখোয় থিএটর তৌমিন্নরকপনি। মহাক হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, খেত্রিময়ূম ঘনশ্যাম কৌই। ময়াম্না ঘনশ্যাম খেত্রি হায়রগসু খঙনৈ। মা অমা খুদক্কী ওইনা মহুৎ শিনবদা খরা ঙম্মী। মরমদি দাইলোগতু ফাদ্রসু মানা থোকপা অমা হেক্তা হায়জিল্লক্কনি। অদুনা অওক অথোম তৌনদুনা লীলাদুগী কয়াৎতু কায়দনবা পান্নরিবদুনা মপান খোপচিল্লগা অদুম শান্নবা য়াই। তৌবগীদি থিএটরগা শুমাং লীলাগসিদি য়াম্না খেন্নে। থিএটরদা ফাওরে হায়বা মীশক অমনা শুমাং লীলাদা থোক্লগা এক্টিং তৌদুনা কেরেক্টর অমা কুম্বদা হেক্তা মায় পাকপা ঙল্লোই। শুমাং লীলাগীদি তোপ তোপ্পা অমা লৈজে। অদুনা য়াম্না হেন্না মায় পাকপমক নৎত্রসু অদুম নোংমদুগী ঙম্নবা শান্নে। মহাক ঐখোয়গী লীলাগী আর্টিষ্ট অনা অয়েক য়াওরকপদা খুদক্কী ওইনা য়াম্না কুল্লম্মী। মানা হায়, ঐদি ফুতিননি হায়না। লীলা শান্নবা চৎপদদি শেলদু ফংবনিনা মানা য়াম্না হরাওনা য়াই। শুমাং লীলা য়াওবা মরক্তসু খুদক্কী ওইনা মেনখৎপা ঙম্বা ‘হয়ারিং আর্টিষ্ট’ ওইবা ঙম্বা অনী অহুম লৈ। মসিনা নুপা শাবগীনি, নুপী শাবগীদি কমাই তৌবা? মদুসু শাথীনা অৱাবা অমনি। লীলা পার্টি ওইনদি লৈবা, লীলা পামজবা থৱায় য়াওজবা, লীলাদি কয়া চত্তবা পার্টি ওইবা খরসু অদুম লৈ। মদুগী মরক্তগী ঐখোয়না অমা নেক্কদৌরিবনি। মদু ঙম্মোই হায়না কোয়চেন চেন্দুনা কোয়লোৎ লোৎলিবনি। অদুবু নমদুনা ফারগা মতেং পাংবীদবা য়াদ্রে হায়বদা, মানা ‘ঐ হৈরোই’ ঐদি হৈবসু নত্তে ঙম্মোই ঙম্মোই” হায়দুনা ফনা য়াম্না কন্না য়াজদে। অদুদা “নঙ কৈসু ঙাঙদ্রসু য়ানি। নঙনা খঙবা অমা অনীদং হায়য়ু অদুগা ঐখোয়না থোকপা তৌগে” হায়দুনা নমদুনা পুবি। য়াম্না নুংশি অদুগুম্বা আর্টিষ্ট য়াম্না লৈ। নুপা শাবদা নুপী শাবীদা, মখোয়দু ঐনা ঙসি ফাও কাউদ্রি। মখোয়গী লমন য়াম্না তোল্লি হায়না খঞ্জে। মখোয়গী মরক্তা হৌজিক্তি লৈখিদবা মরি-মঙা শুখ্রে। মমিং খরদং পনবা য়াবদা (জন্মস্থান বিরেন/শীংজমৈদগী লোকেন/লমজাওদগী চীংলেন/তেরাদগী ইনাওচা/তৌবুলদগী অমা মমিংদি কাউখ্রে অসিনচিংবা)। মখোয়না ঐখোয়গী ৱারকপা মতমদা মতেং য়াম্না পাংবীখি। লীলাদু ফজবা ফজদবনা তোঙান্না থমখ্রগা মীয়ামগী পেন্নবা তৌজখিবা খরদু ঙসিদি য়াম্না নীংশিংলকই।

লীলা ময়ায়দা থোক্লগা, ঙাঙগদবা লোলদু কাউখিদুনা হায়রক্তবদা পান্নরিবা আর্টিষ্ট অদুনা অমুক্তং লৈ লৈদনা ঙাঙনবা হোৎনবসিগী এক্সপরিএন্স অসিসু অঙকপা অমনি। মসি খল্লুরগদি য়াম্না নোক্লিংবা অমসুনি। লীলাদু দাইলোগ ফাদ্রে হায়বসি ভাবোক্তা খঙহন্দনা শান্নগদৌরিবনি। থোক্লিবা অদুসু অশেংবা মানা ঙাঙগদবা দাইলোগ ঙাঙলোইদৌরিবনি, করম্নসু ঙাঙবা ঙমগনি, অমুক্তা থেংনদ্রিবনি, খুদক্তা নেল্লগা পুরকপনি। লম্বীদা ৱারী লীরগা সুমাইনা হায়রকউ, সুমাইনা তৌ। নঙনা শাদৌরিসি সিনি, অদুনি-অদানি হায়নখক্তা হায়নবনি। অশেংবা দাইলোগকদু পাদুনা শান্নবা নত্তবনিনা য়াম্না ৱাদি ৱাবা অমা ওইরিবনি। লীলা থোক্লমদাইদুদা মানা সি হায়রক্কনি, সি হায়য়ুকো হায়না পাওমেল্লগা চঙখ্রিনি। অদুগদি কাউথোকখিদুনা হায়দৌবা ৱাদু হায়ররোই, হায়রোইদবা ঙাক্তা ফৈনা ঙাঙলগা লৈদৌরিনি। মদুদা লীলাদুগী ৱারীদসু তাবা য়ানবা অমুক্তং লৈখাইরগা শান্নবসিদি হুমাং কাঙবজাৎনি। হায়দা হায়মল্লক্ত্রবদা, “নঙনা হায়নীংলিসি সি নৎত্রা” হায়রগা মাগী দাইলোগতু ঐনা পুল্লপ ঙাঙদৌরিনি। মদুদগী মানা অমুক নীংশিংলক্তুনা মানা অমুক ঙাঙলগা ঐনা মখা অমুক শমথগদৌরিবনি। নোংমা য়াম্না নোক্লিংবা অমা থোকখি। লৈখিদ্রবা জন্মস্থানদগী বিরেনসি য়াম্না নুংঙাইবা, মবুকসু য়াম্না ফবা আর্টিষ্ট অমনি। য়াম্না নুংশিনা লোয়নরকপনি। মহাক ঐগা লীলা পুল্লগা মমিং লৈরবা লীলা কয়া অমসু শান্নমিন্নরকই। য়াম্না ফবা আর্টিষ্টনি। মহাক মশাসি য়াম্না ৱাং চাউই। ঐঙোন্দগী মানা খিত্তং ৱাংবা হেনব্রা কৈনোমা তৌবনি। লেপমিন্নবদা মানা হেক্তা ৱাংই। অদুনা ঐ মাগী মনাক্তা কয়া চঙশিনদে, ঐসি নেমশিনখিনি হায়দুনা। নোংমদি ঐখোয়গী হিরোইন কুমগদবা দেবদত্তদু মশা ঙমদবদগী মানা মহুৎ শিনবা তারে। দেবদত্তসু হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। ইবানিগী য়াম্না লুশিল্লক্লবা সিচুএসন অমদা মানা কপ্পক্কদবনি, অদুগা ঐনা করিগী কপ্লিবনো হায়না হায়রগা লীলাগী ৱারীদু নুংশিনা চত্থগদবনি। অদুবু বিরেননা মহুৎ শিনবদুদা মাদি কপ্পগা শুঙাঙ ঙাঙদ্রবগী ৱানিসে। মানা কপত্রদি লীলাদু মখা চত্থবা শুংয়া য়াদ্রেদনা। অদুদা ঐনা লোন্না ভাবোক্তি তাহন্দনা ‘কপ্লো’ ‘কপ্লো’ হায়না হায়। মদুদা মাসু খঙনীং নীংশিংলক্তনা, হৌজিক্তা নোক্লগা ইহি হিগৎলগা হায়রম্বদু মানা থোক কপশিন্নরকপদা ময়ামসি হেক্তা কায়খৈ নোকপনিনে। তৌবগীদি মরুপ বিরেনসি ফাগি তৌবদসু য়াম পকচবনি। অদুনসু মানা হেক হায়দোরকপসি ময়ামসিনা নোক্কদগী ঙাইদুনা হেক্তা লৈনবনি। মদৈদি, ঐনা মখাদু ময়াম নোকপদু ফাথরগা তপ্না হায়রে, “কপকনু, করিগী কপ্লিবনো...” হায়রগা লীলাদু মখা চথৈ। অদুবু নুমিৎতুমদি লীলাদু য়াম্না নুংশিহনবা ঙমখিদ্রে। মদু ফি শেৎফমদা চঙলক্লগা ঐখোয় ময়াম নোকপসিদি নোকপসিদি। অদুদা মানা “কনানা খঙজ নেগে, ফবু ফমল্লবনি” হায়রকপদুনা অমুক্লা হেন্না নোকমিন্নখিবদু করম্না কাউগনি। নীংশিংলগা মরুপ বিরেনদু য়াম্না নীংশিংলকই। মাগা ঐগা পারগা ‘ভালোহে পেন্মা’ হায়দুনা লীলা অমা শান্নরম্মী। লীলাদু য়েংবীহৌবশিংনা শোয়দনা নীংশিংবীরমখিগনি। য়াম্না নুংঙাইবা অমদি ময়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা লীলা মখল অমনি। ঐগী ইয়াম্বসু মাগী মচে লৌরগা য়াওং ইনবনি, ঐসু মা অমুক লৌরগা য়াওং ইনশিনবনি। ওম্বোক্লা নুংঙাইরবা নোক্লিংবা সিন কয়া অমা য়াওবনি। য়াওং ইল্লবসু ঐনা মেত্রিক্তদি পাস তৌনবা হায়দুনা লাইরিক কন্না পাহল্লি। অদুবু চেঙ লৈতবদগী চাক লাম্বনা লাইরিক পাবা য়াদ্রবা মতমদুদা ইবানিনা খুলং ঈশৈ অমা শকখিবদু ময়াম্না য়াম্না নুংঙাইবা মতাং অমা ওইখি। মাগী মচাশিং অমত্তা থেংনদ্রে। করিমত্তা খঙনদবগুম লৈরে। মহাক্তু লৈরম্লবদি কয়াম নুংঙাইরমগনি। ঐগা পামিন্নরম্বা হিরোইনশিংগী মনুংদা মহাকসু খূৎ থেকপা য়াবা, য়াম্না পক্লখিবা অমনি। মঙোন্দা ৱা হায়বসি অমুক্তা ঙম্মোই হায়রোই, হোয় হোয় হায়বসি মাগী হৈনবীনি। অদুবু মানা য়াখিদ্রবদি, মচিন পৈথোক্লগা শুগৎপী অমা লৈ। মদুনি ঐনা হেক হেক নীংশিংলিবসে। ঐগদি য়াম্না য়ানৈ। লুনা লোয়নখি। য়াম্না নুংশি, মহাক্কী থৱায় মিরেলনা মপুগী নাক্তা লেঙদনা লৈহনবীয়ু হায়দুনা ঙসিসু নীজরি। ●

# মঙাশুবা আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**





কোভিদ-১৯গী অনৌবা লাইচৎ ওমিক্রোননা কন্না শন্দোরকপা মতম ওইদুনসু মঙারকশুবা ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন টাইৱান চেপ্টরগী ওইনা ২০২২ আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস য়াম্না চাউনা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। কোভিদ-১৯গী অনৌবা লাইচৎ অসি য়াম্না কন্না শন্দোক্লিবা মতম ওইবনা ৱাখলসু য়াম্নদি ৱাজখি করিগুম্বা লৈঙাক্লা চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপা য়াররোইদ্রা হায়দুনা। অদুবু টাইৱান লৈঙাক্লা মদুমক্তি হায়বীরক্ত্রে। চৎলিবা চয়োলসিদা ওমিক্রোন লাইচৎ শন্দোকপগী চাংসি নোংম-নোংমগী অসুম অসুম ৱাংখৎলকপনা ঙসিগী ওইনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না অনৌবা মীওই ১,৭২৭ লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইখি ঙরাং ফাওবদা। মসিগী মনুংদা মীওই ১,৬২৬না টাইৱান মনুংদা শন্দোরকপনি অদুগা মীওই ১০১না মপান্দগী চঙলকপনি। ঙসি ফাওবগী ওইনদি মপান্দগী মী চঙলকপা অথিংবা থমদ্রি। নুমিৎ মরিনি মঙানিগী মমাঙদা ৫০০, ৬০০ য়ৌশিল্লকপা অদুদা ৱাখলসে য়াম্না ৱারুরবনি লোইনা শেম শাবা লোইরকানসিদা করিগুম্বা লৈঙাক্লা অমুক কম্পিটিসন পাঙথোকপা য়াদ্রে কায়না হায়রক্লদি হায়দুনা।

মালেমগী মফম অয়াম্বদা ওমিক্রোন লাইচৎ লৈবসিনা মনীং মখা তম্না শান্ন-খোৎনবতা নত্তনা অতোপ্পা থৌরম কয়াসু পাঙথোকপা ঙমদ্রিবনি। অদুবু লাইচৎ অসি পাক শন্না য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা শন্দোক্লবসু অশি অনাদি ইয়াও য়াওদে নোংমা নীনি কান্নরগা মীওই অমগুম্বা লৈখিদবা নত্তনা। কন্না নাবা-শিবা থোক্তবগী মরম অমনা টাইৱানগী মেদিসিন সিষ্টমসি অসুক্কী মতিক ফবা অসিননি হায়নীংই। করিগুম্বা লাইচৎ অসি হেক পক্লে খঙলকপদা মীওই অদুখক নত্তনা মহাক্লা শম্নরুবা মীওই খুদিংমক মাগী মাগী ময়ূমদগী হেন্দোকহন্দে। খরা শোকচিনবা য়াওরগনা হোস্পিটালদা অদুম ইরায় লায়না য়েংথোকপা য়াই। মেদিক্যের অমদি হোস্পিটালনচিংবা মরাং কায়না লৈবা অসিগী মথক্তা লাইচৎ অসি ফনা য়াম্না শন্দোরক্লবসু অশি অনা অদুক য়াওদ্রিবসি মীয়ামসি ৱাখল য়াম্না তান্নবা অসিননি। হায়নবগী মথৌসু তাদে।

২০২২ আই এন বি এ টাইৱান পাঙথোকপগী অসুক চিল্লিঙৈ মতম অসিদা ইচা অহুমশুবা Bem Bem/Chen An Hsien সু য়ূমদা নুমিৎ ১০ হেন্না মপান থোকহন্দনা, অতোপ্পগা শোক্লা তিন্নহন্দনা থম্মে। মসিগী মরমসি ইচানুপী বেম বেমসি ওমিক্রোন পোজিটিভ ওইবগীদি নত্তে। মহাক্কী স্কুলদা ক্লাস অমত্তদা তম্মিন্নবা নুপীমচা অমা লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগীনি। মখোয়গী ক্লাস টু নুমিৎ ১০নিমুক লোল্লে। মদুগী হেক মতুং নোংমা কান্নরগা, ইচা বেম বেমনা মখোয় স্কুলগী ক্লাসমেট পোজিটিভ ওইবা খঙদ্রিঙৈদা স্কুল লোইরগা মহাক্কী ৱুশু প্রেক্টিস তৌবা চৎলুবদা মহাক্লা হকথেংননা কাউন-থিন্নবা নুপামচাদু পোজিটিভ ওইরে হায়না হায়রকপদগী স্কুলগীনে ৱুশু প্রেক্টিস তৌফম জিমদুগীনে পূন্না নুমিৎ ১০ হেন্না য়ূমদা লৈহল্লে। ঐখোয় ইমুংসু লোইনা হোস্পিটালদা চৎলগা কোভিদ টেষ্ট তৌথোকই। লাইবক ফবনা ঐখোয় কনা অমত্তা পোজিটিভ ওইরমদবদগী ইচা বেম বেমসু স্কুল অমুক কারে অদুগা ৱুশু শান্নবসু হৌরে। লাইবক ফবা অমগসু য়াওরি। মহাক্লা শোক্ল-শম্নরুবা হেক মতুংদু নুমিৎ মরিনি ওফিস, স্কুল লোনবগী মতম ওইখিবা অদুনি।

করিগুম্বা ইচানুপী বেম বেমনা পোজিটিভ ওইরম্লবা ঐখোয়সু পোজিটিভ ওইরম্বা য়ারিবনি। করিগুম্বা ঐহাক অমদি মমাসু পোজিটিভ ওইরম্বা থোক্লবদি এপ্রিল ১৭, নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ২০২২ আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস পাঙথোকপা ওইথোক্তবনি ঐখোয় অনীমক চত্থোকপা অমদি অতৈগা তোৎন-তিন্নবা য়ারোইদবনিনা। অদুবু মপু মহাক্লা চানবীবা হায়বদু তারে অকায়বা করি অমত্তা য়াওদনা য়াম্না মায় পাক্লা ঈংনা তপ্পা পাঙথোকপা ঙমজরে। অদুগা হন্দক্তি য়ুনিভর্সিটিনা অচৌবা হোল অমসু শীজিন্নবা য়াহল্লে লোয়ননা পার্কিংনচিংবগী, হোল শীজিন্নবগী শেলসু অমত্তা লৌবীদ্রে ঐখোয়দগী। করিগুম্বা মপালদা হোল ৱায়দুনা পাঙথোকপা তারবদি য়ামদ্রবদা ইন্দিয়াগী লুপা লিশীং নিফু/য়াঙ্খৈদি তিংগদৌরিবনি।

লৈঙাক্লা থিংলকপা লৈতে হায়দুনসু ঐখোয়না তৌফম থোকপা কোভিদ ঙাকথোক্লবা লম্বীশিংদি লোইনা ইন্দুনা চৎলি ঐখোয় খুদিংমক। মরম অদুননি হুমাং থোকখৈ ৱার্ম অপ তৌদুনা ষ্টেজ মথক্তা কন্না মুক্তুনা মসল পুথোক্লবসু শান্নরোয় খুদিংমক মাস্ক উপ্তুনা থোক্লিবা। ঐখোয় জজ ওইবা অমদি ইমুং মনুং, ওদিএন্স লোইনমক মাস্ক উপ্পী। অদুগা হোল মনুংদা চঙবদসু থোঙ্গালদা লেপ্তুনা বোদি টেম্পরেচর চ্যেক তৌই অমদি হেন্দ সেনিটাইজর স্প্রে শীজিন্নদুনা মখূৎ মশা শেংদোকহল্লিবনি। প্রাইজ পীবা মতমদা খক্তনি মখোয়গী মশক ময়াম্না খরা খঙজনবা হায়দুনা, মরু ওইনা ফোটো কাপ্পা মতমদা মীকুপ খরা খরা মাস্ক লৌথোকপা য়াহল্লি।

হন্দক্কী মঙাশুবা ২০২২ আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস অসি কোভিদ-১৯ ওমিক্রোন লাইচৎকী নুংঙাইতবা লৈরবসু মমাঙ চহীদগী শান্নরোয় মশীং য়াম্না হেন্না লাক্তুনা য়াওরে। মসিমক এসিয়াদা নেচরেলগী মুভমেন্ট অসি য়াম্না পাম্নরক্লি হায়বদু তাকপনি। নেচরেল শান্নরোয়শিংনা নেচরেল ওইনা লৈজনবা হায়দুনা হন্দক চহীসিদগী হৌদুনা আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস অসি অনীরক অনীরক পাঙথোক্কে খল্লি চহী অমদা। ঙম্বসু ওইসনু মপু মহাক্কী থৌজালদগী। নেচরেলগী ফম্বাকসে খরা তোয়না পীবিবা ঙমদ্রবদি নেচরেল ওইনা লৈজবা শান্নরোয় কয়া অমসু চাহৈদবা দ্রগ, ষ্টেরোইদনচিংবদা মায় ওনশিল্লক্তবা নত্তে। চহী অমদা কম্পিটিসন অমখক থোকপা হায়বসি শান্নরোয় অয়াম্বনা পাম্নদে। শান্নরোয় অয়াম্বনা চহী অমদা অহুম মরিরক থোক্নরিবনি। মরম অসিনা নেচরেলগী ফম্বাকসে খরা তোয়না পীবিবা য়াম্না মথৌ তাই। মরম অসিননি আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস হন্দক চহীদগী হৌদুনা ওক্টোবর থা অদুৱাইদা অমুক তৌগে হায়না খল্লিবা। ওক্টোবর থাদদি সাউথ টাইৱানলোমদা ওইনা পাঙথোক্কে খল্লি মখোয়দসু চত্থোক চৎশিনগী অৱাবসি লৈতনবা। ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগীসু নেচরেলগী ওইবা মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা অসি পাঙথোক্কনি হায়দুনা ভোট মমাঙদগী কন্না হোৎনদুনা লাক্লিবনি আই এন বি এ মণিপুর ব্রাঞ্চনা। এপ্রিল থাসিদা শোয়দনা পাঙথোকপা ঙমগনি খল্লি। ইরৈচাশিংসু নেচরেলগী খোঙজং অসিবু শৌগৎপীয়ু মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা। নেচরেল ওইবনা য়াইফরে। হকচাং ফনবা য়াইফরে। ●